ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯃꯦ ꯱꯰, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মে ১০, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৪২শুবা মশীং

# লৈঙাক্কী স্কুলনা পোজিসন লৌদবা

## এদ্যুকেসন সিষ্টেম শোয়বগী ময়েক শেংলবা খুদমনি

কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসনগী ফল লাউথোকপদা মহৈরোয়শিং পাস তৌবগী চাং ৱাংখৎলক্লবসু লৈঙাক্কী স্কুলশিংদি থোইদোক্লা ফীভম ফগৎলকপা থেংনদ্রে। মরুওইনা সাইন্স ষ্ট্রিমদা অহানবগী মকোক মথং ২০ ফাওবদা লৈঙাক্কী স্কুল অমত্তা য়াওবা ঙমদ্রে। আর্টস ষ্ট্রিমগী ওইনা ইবোতোনস্না গর্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা তরুকশুবা অমসুং তম্ফাস্না গর্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা ১০শুবা মফম কনবা ঙমলে। কম্মর্স ষ্ট্রিমদসু তম্ফাস্না গলর্স হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা অহুমশুবা অমসুং মঙাশুবা অদুগা চুড়াচান্দ হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা মরিশুবা মফম কনবা ঙমখি। এগজাম অসিদা সাইন্স ষ্ট্রিমগী ওইনা মহৈরোয় ২০,৫৬২; আর্টসকী মহৈরোয় ৭,৪২৮ অমসুং কম্মর্সকী ৬৫৯ পূন্না মহৈরোয় ২৮,৬৪৯ শরুক য়াখিবনি। মহৈরোয় পাস তৌবগী চাং সাইন্স ষ্ট্রিমগী ওইনা চাদা ৭৪.৮৭, আর্টসকী চাদা ৭১.৫৯ অমসুং কম্মর্সকীনা চাদা ৬৬.৬২নি। দিষ্ট্রিক্টশিংগীওইনায়েংনবদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী চাদা৯২.১৯ মায় পাক্তুনা মহৈরোয় পাস তৌবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরে। জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মহৈরোয় মায় পাকপগী চাং চাদা ৫৫.৫০ ওইদুনা চাং খ্বাইদগী নেম্বা দিষ্ট্রিক্ট ওইরে। কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি মহৈরোয় তরেৎখক এগজাম থাবদা মহৈরোয় অমা ফাওবা পাস তৌবা ঙমখিদে। লৈঙাক্কী মহৈ লোইশঙশিংদা তম্বা মহৈরোয়শিং মায় পাকপগী চাং চাদা ৬১.৯৬নি। লন্নাই মহৈ লোইশঙগীনা চাদা ৭৮.৬৪নি। মতৌ অসুম্না পোজিসন লৌবদগী হেন্দোক্তুনা মহৈরোয় মায় পাকপগী চাংসু লন্নাই মহৈ লোইশঙনা ৱাংলে। তোঙান-তোঙানবা ষ্ট্রিমদা অহানবদগী ১০শুবা ফাওবদা মফম কনবা ঙমখিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদি কম্মর্স ষ্ট্রিমদা অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা পোজিসন লোয়ননা আর্ট ষ্ট্রিমদা তরুকশুবা অমদি ১০শুবা পোজিসননি। মমাঙ চহীদা মহৈরোয় পাস তৌবগী চাং চাদা ৬৭ ওইরম্বদগী হন্দক্তি চাদা ৭৩.৮৩ য়ৌরে। লন্নাই মহৈলোইশঙগী ওইনসু মহৈরোয় পাস তৌবগী চাং ৱাংখৎলক্লে। মমাঙ চহীদা পাস তৌবগী চাং চাদা ৭২ ওইরম্বদগী হন্দক্তি চাদা ৭৮ য়ৌরে। লৈঙাক্কী মহৈ লোইশঙশিংগী ওইনা মমাঙ চহীদা মহৈরোয় চাদা ৫৬.৩৩ পাস তৌখ্রবসু হন্দক্তি চাদা ৬১.৯৬ য়ৌরে।

এগজামগী ফল য়েংলুবা মতমদা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা এদ্যুকেসনগী থাক করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বা চাউরাক্লা খঙবা ঙম্লে। মণিপুরদা ইবা-পাবা ঙম্বা মীগী মশীং চাদা ৭৬.৯৪ য়ৌরে হায়রগসু এদ্যুকেসন সিষ্টেম ফগৎহনবা ঙমদ্রি হায়না লৌবা য়াই। মরম অমা নৎত্রগা অমদগী মতম শাংনা ইকনমিক ব্লোকেদ অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌবনসু এদ্যুকেসন সেক্টরদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি হায়না লৌবা য়াই। অমরোমদা লমদম অসিগী মীয়াম্না এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংবনা এদ্যুকেসনগী মরুওইবা পান্দমনি হায়না লৌনবগী মওং অমসু উবা ফংলি। ৱাখল অসিনা লমজিং ওইরগা এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংনবগীদমক অহিং-নুংথিল নাইদনা প্রাইভেট টুইসন নৎত্রগা কোচিং তৌবদা য়াম্লবা শেনফম চাদিং তৌরি। ওজানা স্কুলদা তাকপা পাড়া পূম্নমক ময়ূমদা হল্লক্লগা অমুক নৈনদুনা মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনবগী মহুত্তা প্রাইভেট কোচিং অমসুং টুইসন তম্বদা হেন্না থৱায় য়াওনরক্লি। তম্বীনবা মহৈরোয় মশীং থিঙমদনা লৈরবনিনা মফম খুদিংগী কোচিং সেন্টর কয়া চেঙ্গুম  শৌবগুম মথং-মথং হাংদোক্লরক্লি। মহৈরোয় অমনা প্রাইভেট কোচিং নৎত্রগা টুইসন তম্বদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈত্রগসু তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা মচাক অমা ওইনা লৌনরক্লিবসিদি অফবা খুদমনি হায়না লৌফম থোক্তে। প্রাইভেট স্কুলদা ওজা ওইবা মীওই অমনা থাগী তোলোপ খজিক্তং ফংলবসু কোচিং সেন্টর হাংদোক্তুনা অমদি লন্নাই টুইসন তম্বীদুনা য়াম্লবা শেনফম অমা তানবা ঙম্লি। ওজাগী শিনফমদা লৈরিবা মীওই খরনা ঙমজবা পাম্বে শীজিন্নদুনা শেল তাঞ্জবদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে হায়না লৌবা তারগসু মমা-মপা ওইবা কয়াদি মচাশিংবু সবজেক্ট শুনা প্রাইভেট টুইসন  তমহন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি। প্রাইভেট কোচিং নৎত্রগা লন্নাই টুইসন তম্বা মহৈরোয় খুদিংমক পুন্সিদা মায় পাকপা মীশক ওইবা ঙমগনি হায়না লৌবা য়াদ্রগসু মহৈরোয় অমা ওইরগদি তঙাইফদনা কোচিংনৎত্রগা টুইসন তমগদবনি হায়বগী অনৌবা চৎনবী অমা লৈরক্লিবসি  লাইবক থীবনি। মহৈরোয় খুদিংমক প্রাইভেট কোচিং নৎত্রগা টুইসন তম্বগী চৎনবী অমা লৈরক্লবনি। ওজাশিংনসু স্কুলদা লাইরিক ফজনা তাকপীদবগী মওং অমা উবা ফংলে। য়াম্না শেংনা হায়রবদা মহৈরোয়শিংনা এগজাম থাবা য়ানবগীদমক স্কুল অমদা মিং চনশিল্লগা প্রাইভেট কোচিং অমসুং টুইসন্দা মায় ওনশিন্দুনা মার্ক ফংনবখক্কী খল্লগা তল্লিবা লাইরিক খূৎতম অসি অচুম্বনি হায়না লৌফম থোক্তে। এদ্যুকেসন্দা শেল চাউনা থাদদুনা ওজা কয়া তোলোপ পীদুনা থল্লগসু লৈঙাক্কী স্কুলনা পোজিসন লেপ্পা মহৈরোয় পুথোকপা ঙমদ্রিবসি এদ্যুকেন সিষ্টেম শোয়বগী খুদমনি হায়বা য়াই। হীরমসিদা লৈঙাক্লসু মীয়াম্নসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা এদ্যুকেসন সিষ্টেম শেমদোকহৌবা মথৌ তাই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মরী লৈনবা ওথোরিটিগী পূক্নিং চিংশিন্নবা মীৎয়েং থমজরি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

অমত্তা ঙাইরবা ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা মণিপুর সেন্ট্রেল লাইব্রেরি অসি নহারোল, মহৈরোয়শিংনা মফম খঙনদবা কয়ামরুম য়াওরে। অদুনা মরম ওইরগা মফম তান্নবা সেন্ট্রেল লাইব্রেরি অসিগী সাইনবোর্দ থেৎপীয়ু। লোয়ননা গ্রাউন্দ মনুং লম্পাক্কী নাপী-শিংনা শোংজিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা অমোৎ-অকায় হুন্দোকফম অমদি মীয়াম্না মপান-ইপান থোকফম ওইশিল্লকপা অসি য়েংবদা নুংঙাইতে। মসিসু লূ-নান্না থমহন্নীংই। অদুগা অমনা লাইব্রেরিগী পাউচে পাফম, মৈ অমসুং ফেনগী অৱা-অপা, ৱাইশিৎ-নুংশিৎ তৌবীদবনা চৌক্রি-টেবল উফুল-ৱাইফুল ঙাক্তা ঙাইরে। লোয়ননা পাউচে পাফমদা লৈবা চৌক্রি-টেবলদা পোৎমাং-চৈমাং থোক্লকপা খুদিংমক লাইব্রেরি অসিগী ছো পায়বনা খঙগদবনি। পাউচে পাবা লাকপা মীওইশিংনা য়েপ্লগা পুরল্লোই। অদুগা অৱাৎপা অমনা পাউচে পাফমদা থম্বা য়াবা ঈ-পাউগী মতমদা ঙাইহাক পাউ তাবা অমদি অতৈ চেনেল কয়া য়েংবা য়াবা টি ভিনচিংবসু থমহন্নীংই। লোয়ননা পাউচে পাফমদা মহৈরোয়, ইচা-ইনাওশিংগা অহলশিংগা পুনশিন্নবা, চয়েৎ-খোয়েৎনবা অসিসু তৌহনবীগনু। মরমদি পাউচে পাবা লাক্লিবশিং অয়াম্বনা অহল ওইরবা ঙাকনি। করিগুম্বদসু ৱারী-ৱাতাই ঙাইহাক শাননীংবসু য়াওরকই। মদুদা মখোয়নসু তাবা নুংঙাইরোই। অথুবদা, য়াম্না মরু ওইরিবদি মপান-ইপান থোকফম লেত্রিন লৈত্রিবসি অহানবদা থমহন্নীংই। লোয়ননা সেন্ট্রেল লাইব্রেরি মনুংদা রিস্কো অমদি ওটোরিস্কো ময়াম অমা থল্লিবদো করিগীনো? লাইব্রেরিগা করি মরী লৈনবগে? অথুবা মতমদা লৌথোকপীয়ু। মপু লৈতবগা মান্না লৈরে। মরী লৈনবা ওথোরিটিগী পূক্নিং চিংশিন্নবা মীৎয়েং থমজরি।

*অদোমগী - আর কে জয়কুমার, কৈশাম্পাৎ*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৫

১। মণিপুরগী য়েক সলাই খুদিংগী লাইফম অপোকপগী খুভমদা লৈনুংদা য়োৎনা শাবা লেপ শুম্বল মানবা অমা ফুমদুনা থম্নে। মথক্তনা খাবৈ মওং মান্না য়োৎনা শাবা অমসু য়ুংনৈ।
(ক) লৈনুংদা ফুম্লিবদু মমাগী খুদমনি। করি কৌই?
(খ) মথক্তা য়ুংলিবদুনা মপাগী খুদমনি। অদুনা করি কৌই?

২। "হে নুপী! নখোয়না অসুক থাজগল্লিবসিবু... করিগীনো?" পরেং অসি শাজৌ কৌবা অমনা মাগী নুপীনা মন্ত্র যন্ত্র থাজগনবা অদুদা পেন্দনা হায়রিবনি। ওজা জি সী তোংব্রাগী রেডিও দ্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "কিরম্বদগী কিরক্তে/মিৎ উইশিল্লগদুম চৎনিংলক্লে।" পরেং অনী অসিনা কবি ভুবনস্নাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "পুন্সিদি শৈরেংনি/... শৈরেং য়াওদ্রবা পুন্সি/নত্তে অশেংবা পুন্সি।" পরেং অহুম অসিনা 'নোংজু নঙনা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "অশেংবা থৱায় অমনা/কোইপাই পাইদুনা থিরি/হকচাং পোলাং অমা।" পরেং অহুম অসিমনা 'ৱাথোক' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। মপালগী অইবা অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# গারবেজগী ৱাথোক : গভর্ণমেন্টকী ত্রিটমেন্ট প্লান্ট তোপ ক্লাসতা থম্বীয়ু

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

লৈবাক মীয়ামশা অওনবসি লাকইকো। লাক্তে কায়না খনবীরুনু। য়েংবীয়ু লম্বীদা অমোৎ-অকায় লংথোকপসি মীয়ামদা ৱাখল য়াওদে হায়দুনা চৈনরম্মী। চৈরিবসি মীয়াম ঐখোয়না থৱায়না তাজনা মীখলদা ভোট থাদদুনা খঞ্জখিবা মীহুৎশিংদুনা শেম্বা গভর্ণমেন্ট অদুনা চৈরক্লিবনি মীয়ামসি ৱাখল খন্থবা ৱাৎলি হায়দুনা। নাকল অমরোমদা য়েংলুরবদি এম এল এ, মিনিষ্টর ওইদুনা গভর্ণমেন্ট পায়রিবসি মীৱা তারিবা মীয়াম ঐখোয়না ঈ ভি এম মেছিন্দা খুদোনবীনা নমদুনা ভোট থাদরগা মীহুৎ ওইখিবা লুচিংবশিং অদুননি। ভোট থাদরে হায়দুনসু মীয়ামদা চৈরকপা য়াদে হায়বদি রুলদা লৈতে। অদুগা মীয়ামদা চৈগদবনি হায়বা রুল লৈত্রা হায়বদুমদি খঙজদ্রে। গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী অৱাৎ-অপা কয়া য়েংশিনবীদ্রে হায়দুনা মীয়ামগী মীহুৎশিংবু চৈবদি মফম পূম্নমক্তা থেংনখ্রে/তারে। ভোট কারমদাইদদি নুংশিখ্রবা মীয়ামসে অদুগা কাখ্রগনা অমাহায়না মীয়াম্না চৈরিবনি। হায়রিবসি লুচিংবা লোয়নমক্তি নত্তে। মীয়ামগী মমল য়াম্না খঙবা মরৈবাকপু চাওখৎনবা হোৎনবদা লুচিংবা য়াম্না লৈরি। চেঙ চগ্রিং অমনা চেঙ চেঙ্কোক অমা মাংথোকই হায়বদুনি। ভোট অমুক কাখিবসিনা মপুন্সি চূপ্পা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা য়াদবসিদনি মখোয়দা য়াম্না ৱারিবসি। মখোয় মশানা অহিং-নুংথিল তূমদনা লাইরিক পাজরগা মশানা কন্না হোৎনজরগা ভোট কাবা ঙমদবসিনি মখোয়গী মরায়বক থীবসি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা ঙম্নবা ভোট কাবা হায়বসিগী শোজৈ হায়বদি ৱাইখু শো অচৌবদুগী শো অদু মীয়াম্না পায়দুনা লৈবা অসিনি। অদুগা মদুসু অমুক তেনখ্রবা চহী মঙা খুদিংগী শো হাংদোক-হাংজিন তৌবগী খুদোংচাবা মীরেপ ওইরিবা মী অদুগী মখূৎতা লৈতবা, মীয়ামগী মখূৎতা লৈবা অদুনি।

কনাগুম্বা মীওই অমগী লৈকায়দা ময়াম পূম্নমক্কী অমোৎ-অকায় হুন্দোকফম ওইগে হায়বদা কনানসু য়ানীংদে। য়ানীংদবগী মরমদি অমোৎ-অকায়শিং অদুদগী থোক্লকপা য়াবা লায়না-তীলনা ময়ামদুগী খল্লুবদগীনি। মদুগীসু মথক্তা লৈকায়দুগী মীয়ামদুনা মশাদা ইকায়বা ফাওজে। করিনা হায়বদা মণিপুরগী মীয়াম্না হুন্দোরকপা ফত্ত-হাওদি ময়ামদু মখোয়গী লৈকায় নক্লা হুন্দোরকপদা মখোয়বু হন্থনা খল্লব্রা হায়নসু ইকায়বা ফাওনরিবনি। খন্দুনা য়েংবীয়ু  মণিপুরগী য়ামখ্রবা য়ূমথোং খুদিংমক্তগী পুথোরক্লিবা অমোৎ-অকায়শিং অসি শুপ্নগী চেথি-চেগুম, মনা-মশিংখক্তনা নত্তে কনাগী কির-কিরবা লায়না কয়াগা লোয়নবা পোৎ চৈ কয়াসু য়াওরিবনি। মদুদবু কনানবু মশাগী লৈকায় নক্লা লৈবাক মীয়ামগী অমোৎ-অকায় পুরক্তুনা পৈশিনফম অমদি লোইশিনফম ওইহনবা পাম্ফম থোক্তে। ফনা হায়বা শাবনি মেছিন্না চপখায়দুনা অমোৎ-অকায়শিংদু মাঙহন্দ্রিঙৈগী মরক অদুদা পৈদুনা লৈরিবা অমোৎপশিং অদুদগী থোক্লক্কদবা নমথীবা মনম, কাং হয়িংশিং, তীল, উচিনচিংবনা থোকহল্লক্কদবা নুংঙাইতবা ময়াম অমসু লৈরিবনি। অদুম ওইনমক তাইবঙ মীওইবনা লৈরিবমখৈদি ইমুংদগী অমোৎ-অকায় হায়বসিদি থোক্লত্তুনা অদুমক লৈরগদবনি। শা-উচেকুম্না হিংবদি য়াবা নত্তে। মীশিং য়ামখৎলকপগী মতুং ইন্না ইমুংদগী অমোৎপা থোক্লকপগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলকই। অনীসি তুনা চৎমিন্নে। অমরোমদা মীশিং য়াম-খৎলকপগী মতুং ইন্না লৈনবা মফমসু পিকশিল্লকই। অমোৎ-অকায়গী মপৈ-মপৈনা চীংমুক ৱাংনা পৈখৎলকই। অদুবু মীওইবনা চাওখৎপগী থাক ৱাংখৎলকপগী মতুং ইন্না শাথিনা ফত্তবা অমোৎ-অকায়শিং লোইশিন্দুনা কান্নবা থবক কয়াদা শীজিন্নবা য়ানবা খূৎশু-খূৎলায় কয়া শাদুনা পুথোক্লি। মদুগুম্বা কয়াদুনা ঙসিগী অমোৎ-অকায় ময়ামদুনা কান্নবা মওংদা লায়না লোইশিনবা ঙমই। মদুগুম্বা ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অদু লৈত্রবদি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয় করম্না হিংবা ঙমগনি? তশেংনমক য়াম্না খুদোংচাদবা ফিভম অমদা পুন্সি অসি হিংলমগনি।

অমরোমদা, তশেংনা য়েংলুরবদি মীওইবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক অসি অমোৎ-অকায় হায়বদি গারবেজ লোইশিনবগী থবক অসিসু অমনি। লাইরিক তম্বা, অনা-লায়েংবা, চাবা-থকপা, লম্বী থোং ফনবগী মরু ওইবা অদুগুম্বা অমোৎ অকায়গী থবক অসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি। পূম্নমক লৈরগসু গারবেজগী থবক অসিনা মায় পাক্লা ত্রিটমেন্ট প্লান্ট মনুংদা মতম চানা লোইশিন্দ্রবদি মীওইবদা কান্নবা লৈতে। থবক অসিদি মীচম মীয়াম্না তৌবা ঙম্বা থবক্তি নত্তে। মসিগুম্বা থবক অসিদি গভর্ণমেন্টনা তৌবা নত্তনদি তৌবা ঙমগদবা নত্তে। ৱাদবু অমোৎ-অকায় শেংদোকপগী থবক হায়না য়াম্নালায়না খনবনি। অদুবু য়াম্না ফরক তাবা থবক অমনি। থবক অমা ওইনসু থানদবগী মওং অমসু লৈতবা নত্তে। হন্দক ইম্ফাল মনুংদা অমোৎ-অকায় য়াম্না পৈশিন্দুনা লৈবদগী মীয়ামদা য়াম্না অৱাবা পীরে। মদুগী ফত্তবা থোক্লকপদুনা অকোয়বগী ফীভমদা শোক্লক্তুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা মীৎয়েং চঙলক্তুনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্দা অথুবদা চুনবা থবক লৌখৎনবা হায়খ্রে। ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অসিনা অমুক লমদেংদা লৈরিবা গারবেজ ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অসিদা ফত্ত-হাওদি গারবেজ হুন্দোকপদা অথিংবা থল্লকপদগীনি হায়বসু তারে। মমাঙদা পনখিবদুনি  ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অদুদা মতমগা চুনবা মওংদা লৈগদবা ফেসিলিটি অদু নিংথিজনা লৈত্রগদি লমদেংদা লৈরিবা মীয়াম্না খুদোংচাদবা  য়াওরক্তুনা ৱারৌরকপা মশানা তাবনি। মণিপুরগী মীয়ামদি য়ামখ্রবা, নমথীখ্রবা গারবেজ অদুনা লমদেংদা মতৌ করম্না পৈশিন্দুনা লৈরি হায়বা মীৎকুপ অমত্তা খন্থরুবা নত্তে। মশা-মশাগী ইমুংদগী ফত্ত-হাওদিশিং অদু লাপ্না হুনে দাকখ্রগা লোইরে হায়না খন্নবা অদুখক্তনি। অমোৎপবু কনানা পাম্বগে? কনাসু পামদে। অদুগুম্বা কনানসু পামদবা ফত্ত-হাওদিদু ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা মীওই লাক্ষ কয়াগী ইমুংদগী থোক্লকপা ফত্ত-হাওদিবু লমদেংদা লোইনা পৈশিল্লগা য়াম্না লুনা-নান্না ত্রিটমেন্ট তৌবিদ্রবদি ৱারৌরকপা/শাউরকপা মশানা তাবনি। খুদিংমক শাওরকপা মশানা তাবনি। মায়কৈ মরিদা লৈরিবা মীওই/লৈকায়/খুল খুদিংমক শাওরকপা মশানা তাবনি।

লমদেংগী মীয়াম্না ফাওরিবা নুংঙাইতবদু করি মরম লৈবদগীনো হায়বদু য়েংবা য়াই। ঐখোয়না/মীয়াম্না খঙনরে মদুদি লমদেংদা শারিবা গারবেজ ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অসি শাবা পাক্লা লোইশিনখিদে। মতম কুইনা চঙবগীদমক মীয়াম্নসু ৱাহং হংনখি মতমদুগী ভগর্ণমেন্ট অদুদা। শাবদা মতম চংবখক নত্তনা শারিবা বিল্ডিং, অকোয়বগী মওং, কেম্পস অদুগী মওং, মেছিনশিংগী মওংনচিংবদু উবদা ইপেন পেন্দবগী মওং অমা মীয়াম্না উবা ফংনখি। শাবা লোইখ্রবসু ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অদু মথৌ হৌবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈখি। গারবেজ ত্রি-টমেন্ট প্লান্ট অমগী মরুওইবদু মরুওইনা গভর্ণমেন্টনা খঙবসিনি য়াম্না ফবা লৈঙাক অমা হায়বদি গুদ গভর্ণান্স হায়বদুনি। মীশিং য়ামদবা অদুগা অপিকপা ষ্টেট অমা ওইজরবসু ইমুংদগী থোক্লকপা গারবেজদি মীশিং য়াম্বা অচৌবা ষ্টেটতগী থোক্লকপা গারবেজনা পীরকপা লায়না তীলনা অদুগদি থোয়দোক্লা খেন্নবা নত্তে। গারবেজ থোক্লকপগী চাং য়াম্বা য়ামদবগী ৱাফমখক্তনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা গারবেজ ত্রিটমেন্ট প্লান্ট য়াম্না মাঙজৌননা লীংখৎলমফম থোকপনি। ফত্তবা পোৎ গারবেজ লোইশিনবগী থবক্তি মসিদা য়াম্না খুমাঙ চাওশিনবা য়াম্না ফৈ। থবক অসিদা মরুওইবা মীৎয়েং থম্বা য়াম্না চুম্মী। ফত্ত-হাওদিদি লেপ্পা লৈতনা থোক্লক্কদবা লৈরে। নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্কদবগী ৱাখক্তনি। মসিগী ফীভম অসিদা গভর্ণমেন্টনা গারবেজ ত্রিটমেন্ট প্লান্ট মতিক চানা থম্বা য়াম্না ফৈ। মমিংতগী ওইনা ত্রিটমেন্ট প্লান্ট লৈরেহায়বদুদি থোয়দোক্লা কান্নদে। থোয়দোক্লা য়ামদবা গারবেজশিং অসি লোইশিনবা ঙম্বা, অদুগা কান্নবা থবক কয়াদা শীজিন্নবা য়াহনবা, হকচাং শোক্লিংঙাই ওইদবা মওংদা মথৌ তৌবা ঙম্বা প্লান্ট অদুনি মথৌ তাবদি। হৌখিবা গভর্ণমেন্টশিং মমিৎ মনা শিংদে হায়না লৌবা য়াই। করিনা হায়ববু ত্রিটমেন্ট প্লান্ট ফাওবা নিংথিনা শেমগৎ-শাগৎলম্বা থেংনদে। অসুক য়াম্না চাওখৎলবা মতমসিদা চমোৎ-চমোৎ লৈবা মতম নৎত্রে অমদি ত্রিটমেন্ট প্লান্ট তোপ ক্লাসতা থম্লমদবা হৌখিবা গভর্ণমেন্ট ঙসিগী মীরোলনা ৱারৌরে। ঙসিগী গভর্ণমেন্টসু ত্রিটমেন্ট প্লান্ট তোপ ক্লাসতা থম্লমদ্রবদি লাক্কদৌরিবা মীরোলনা ৱারৌগনি।

অমোৎপা লম্বীদা হুন্দোকইহায়দুনা গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা ৱাখল খন্থবা ৱাৎলি, চাও-খৎত্রি, সিভিক সেন্স লৈত্রি, মীয়াম হান্না ৱাখল তাখিসি হায়না চৈবা চুমদে। চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর, এম এল এ, এম পিগী ইমুংদগী থোক্লকপা ফত্ত-হাওদিশিংদুদি কদায়দা হুন্দোকই? মখোয়গী তোঙানবা হুন্দোকফম লৈবরা? মীয়ামদদা তাইনবীগনু। হৌজিক্তি হুন্দোকফম লৈতবনা লম্বীদা মীচমসু, ফম্নাইবসু, লৈঙাকপসু লোয়নমক লম্বীদা, লমহাংদা ফত্তবা হুন দাক্লে। লম্বীদা হুন্দোরক্লিবসি গভর্ণমেন্টনা অমোৎপা খোমদবগীনি। ত্রিটমেন্ট প্লান্ট ফজনা মতম চানা সাইন্টিফিক ওইনা লোইশিন্দবদগীনি। সাইন্টিফিক ওইনা মথৌ তৌরবফাওবদা মীয়াম্না লম্বীদা  ফত্তবাহুন্দোরক্লবদি মীয়ামদা ৱাখল তাদে হায়দুনা ফাবা য়াই, চৈরাক পীবা য়াই। গভর্ণমেন্ট তোপ ক্লাসতা লৈবিয়ু,মীয়ামসু তোপ ক্লাসতা লৈগনি।◀◀

# কম্পিটিটিব এগজামশিং, থাজবা য়াবা এগজামশিং ওইহন্নীংই

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মণিপুরদা পাঙথোকপা ইরমদমসিগী কম্পিটিটিব এগজামশিং মীয়াম্না মতম পূম্নমক্তা থাজবা য়াবা এগজামশিং ওইহন্নীংই। কম্পিটিটিব হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক য়াওদনা পাঙথোকপা কম্পিটিটিব এগজামশিং কৈদৌঙৈদা খক অশেংবা কম্পিটিটিব এগজামশিং ওইবা ঙল্লোই। মতম কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরদা চৎনরকপা, এগজামদা মার্ক হাপতোক-হাপচিন তৌবা, অন্সার স্ক্রিপ্টতা নৌনা ইশিনহনবা অমদি শুপ্নম থৌদৌদা অপূনবা মার্ক হেঙ্গৎহনবনচিংবগী থৌদৌশিং ঙসিসু অদুমক চপ চানা চত্থরি। মসিগী খুদম-চাংদমশিং সোসল মিদিয়াশিংদা ঙাইহাক লৈতনা পুথোক্লরক্লি। সোসল মিদিয়াশিংদা পুথোক্লরকপদা নত্তনা হায় কোর্ট ফাওবা য়ৌনদুনা ওইদ-পাদবা কয়ামরুম তৌরম্বগী ৱাফমশিং মণিপুর হায় কোর্টনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবশিং লৈখ্রে। থৌদৌশিংদুগা মরী লৈননা, মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংবু ওইরো, কম্মিসনগীবু ওইরো নৎত্রগা লন্নাই মীওইশিংবু ওইরো, কনাগুম্বা অমত্তবু হীরমসিগা মরী লৈননা এক্সন লৌখৎলি হায়বা তাখিবা লৈত্রি। অন্দর ত্রাইএলশিং ওই হায়দুনা এক্সন লৌখৎপা য়াদে হায়রিবরা, অসিগুম্বা কেসশিংগী ফাইনেল দিসিজনশিং কোর্টনা লাউথোকপগী থৌদৌসু মমাঙদা অমুক্তা তাখিবা থেংনদে। মখা তারকপদা ময়েক শেংখিদবগী থবক, লোইশিল্লকপদা মৱা-মপাউ তাদনা তুমিন্না লৈশিনখিবগী থৌদৌসিদি, মণিপুরদদি অরৌবা সবজেক্টশিং ঙাক্তা ওইনা তৌনৈ। মণিপুরগী মীয়ামসু অদু মঙাই, অহানবগী ফোঙদোক্লকপা  নুমিত্তুদা অমুক্তং, খুবাক খুদুনা 'সব্বাস' লাউরম্লগা মখা তারকপদদি নুংঙাইবা থবক নত্তে হায়দুনা হন্না খক হংখিদে। মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরদা করপসন লৈহল্লরোই, মপূং ফানা থিংলনি হায়খিবদুগী মতাংদা নৈননীংঙাই ওইবা ৱাফম কয়ামরুম চোংথোক্লক্তবা নত্তে। মণিপুর লৈঙাক্লা করপসন থিংলনি হায়খিবা অমসুং মসিগী মখা তারকপা থৌদৌশিংগী মতাংদদি নৈননীংঙাই কয়ামুক য়াম্না লৈবগে হায়বদু চীনসিনা পন্নীংদে।

কম্পিটিটিব এগজামদি লায়রদুনা চহী খুদিংগী ওইনা বোর্দ অমদি হায়র সেকেন্দরি কাউন্সিলনা লৌরিবা এগজামশিংগী ফাওবদা চহী খুদিংগী পোজিসন হোলদর ওইরমগদবা মহৈরোয়শিং, মার্ক তিনশিনবদা লাল্লম্মী, পীরমগদবা মার্কশিং পীরমদে, মখল-মখলগী ৱাথোক-ৱাকৎশিংতনা পীক থল্লি। ফীভমসিদা কম্পিটিটিব ওইবা এগজামশিংদদি করি ফীভমদা ওইরমগনি? মণিপুরগী ওইনা পাঙথোকপা কম্পিটিটিব এগজামশিং অয়াম্বা লৈঙাক্কী থবক চঙহন্নবগীদমক লৈঙাক্লা পাঙথোকপা এগজামশিংনি। এগজামশিংসিগী অরানবা থৌদৌশিং মীয়াম্না মমৈথংদা হেক হেক খঙনরকপগী ৱাফমশিং ইরমদমসিদা তত্তনা থেংনরি। মতম পূম্নমক্তা, মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুম্বীরেলশিং ওইরক্কদৌরিবা, মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন, অশন্বীদা এম পি এস সীনা লৌবা মণিপুরগী এম সী এস অমসুং এম পি এসনচিংবগী অহাংবা ফমশিং মেনশিন্নবগীদমক পাঙথোকপা এগজামসিনা মণিপুরগী কম্পটিটিব এগজামশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা কম্পিটিটিব এগজাম নম্বর ৱান ওইরি। হায়রিবা এগজামসি মীওইবগী পুন্সি শেম্বা ঙল্লবা অমসুং মণিপুর লৈঙাক অমদি লৈবাক মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা উৎলিবা এগজামনি। অসিগুম্বা এগজামসিদসু মণিপুর লৈঙাক্লা চেকশিনবা ৱাৎপগী মমি, এগজামসি পাঙথোকপা চহী খুদিংমক্কী ওইনা তারি। করিবু তৌজরগবনো, করিসু তৌজবা ঙমজরোইদবা মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না খরদং লাউজ-খোঙজবনবু করি তৌজরনি হায়গে হায়বগী মতাগুম, মণিপুর লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা খুদিংমক্লা য়ারিবা মখৈ খঙশিন উশিন্নদনা, তুমিন্না লৈথোকপগী থৌদৌসিদি ইরমদমসিগী মীয়াম্না অসুক্কী মতিক পেন্দে। অসিগুম্বা নাতৈ হুক্তবা থৌদৌশিং খুদিংমক্তা মণিপুর লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা শামু মনীংদা পেনা খোংবগুম, থৌদৌ খুদিংমক্কী অসুম্না খঙশিন্নদনতা লৈথোক্লবদি লৈবাকসি মমৈথংদা করি ওইরক্কনি? লৈবাকসি শেম্নবা অমসুং লৈবাকসিগী অনৌবা চাওখৎ খোঙথাংগী লম্বীশিং য়াৎনবগীদমক লৈবাকসিগী লৈঙাক অমা শেল্লিবনি। লৈঙাক শেম্নবগীদমক লৈবাকসিদা ইলেক্সন পাঙথোক্লিবনি অমসুং লৈঙাক শেম্বদা খুদোং চানবগীদমক লৈবাকসিগী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং খায়দোক্তুনা লীংখৎনরিবনি। ইরৈপাক-ইরমদমসিবু শেমগৎ-শাগৎনবা অমসুং চাওখৎ খোঙথাংগী লম্বীদা মালেমগী চাওখৎলবা অতৈ লৈবাকশিংসিগা চাংদম্নবা ঙম্নবগীদমক, ইরৈপাক-ইরমদমসিদা খ্বাইদগী ফবা পোলিটিকেল পার্টি অমবু খল্লগা ইরৈপাকসিগী লৈঙাক শেমহন্নবা হোৎনরিবনি। নৎত্রবদি পূম্নমকসি পাঙথোক্লবা হোৎনরুবগী ৱাহন্থোকশিং কদাইদগী লৈরদগে? মসি ৱাহং অমা শোয়দনা ওইরক্কনি?

মণিপুরগী ওইনা পাঙথোক্লিবা কম্পিটিটিব এগজামশিং পূম্নমক, মণিপুর লৈঙাক্লা মতম চূপ্পগী ওইনা চেকশিন্না য়েংশিনহন্নীংবা পোকই। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি হায়রিবা এগজামশিংসি মণিপুর লৈঙাক্লা চেকশিন্না য়েংশিনবগী মমি মপূং ফানা তাদ্রিবগুম তৌই। মরমদি, মথক্তা পনখ্রিবা এগজামশিংসিগী মরমদা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎশিং কয়ামুক ঙসি-ঙসিমকসু লোইশিনবা নাইদনা ফোং-ফোং শানা লৈবা, মীয়াম্না সোসল মিদিয়াশিংদা থেংনরি। সোসল মিদিয়াদা পুথোক্লকপা ৱাকৎশিংসি খক্তা নত্তনা, হীরমসিগী মতাংদা তশেং-তশেংনা ওফিসল ওইনা ৱাকৎলুবা অমদি খোঙজং চঙশিল্লুবশিংগী পাউদমশিংসু মণিপুরগী মীয়াম্না তানরি। হায় কোর্টকী লেভেলদগী ফাওবা মমাঙদা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী এম সী এস/এম পি এসনচিংবগী অহাংবা ফমশিং লৌনবগী এগজামদা অরান-অহুইশিং কয়ামুক তৌখিবগী খুদমশিং থেংনরে হায়বা ৱাফমসু লোকল মিদিয়াশিংদা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। পূম্নমকসি য়েংলুরগা, হন্দক মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্না মণিপুরগী এম সী এস/এম পি এসনচিংবগী অহাংবা ফমশিং মেনশিন্নবগীদমক লৌগদৌরিবা এগজামসিগী মরমদা মণিপুরগী মীয়াম পূম্বনা মীপাইবা পোক্লদবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক হায়রিবা এগজামসিদা মমাঙ চহীদা অশোয়-অঙামশিং কয়ামরুম তৌখিবগীদমক য়ানীংদবগী খোল্লাউ কয়া লাউনরিঙৈ চৈরকসিদা হন্দক অমুক হান্নগুম চপ মান্নবা থৌদৌশিং চত্থরক্লবদি হন্দক্তি শোয়দনমক্কী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং ফাওবা য়াওনা করি-করি থোক্লরক্কদ্রা হায়বগী মীপাইবসু লমদমসিগী মীচম-মীয়ামশিংনা ফাওনরি। ফীভমশিংসি মাঙজৌননা চপ চানাখঙবীদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা হন্দক্কী এগজামসিদদি হীরমসিগা মরী লৈননা থোকহন্নীংদবা থৌদৌশিং অমত্তা থোকহন্দনবা শুপ্নগী অচুম্বা অমদি তৌফম থোকপশিংদু খক্তমক পাঙথোক্লবা পাউতাকশিং পীহন্নীংই। মমাঙ-মমাঙগীগুম্না নাচুংবা পোক্তনা, মরীল খাবগী থৌদৌশিংদি মখা তানা অমুক হন্না খক তৌহন্নীংদ্রে। লৈবাকসিগী লমজিংবশিং ওইরকপা য়ারিবা অমসুং ওইরকফমসু থোক্লিবা মণিপুরগী এম সী এস/এম পি এসশিং খনবগী কম্পিটিটিব এগজামসি মণিপুরগী মীয়াম চঙদুনা মতম চূপ্পদা মতিং চুম্না পাঙথোকপা মণিপুরগী কম্পিটিটিব এগজাম মখল অমা হায়বদু অমুক্তং ওইহনসি।

অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু হৌজিক্কী মতমসিদদি মমাঙঙৈগী মতৌশিংগা হায়রুরবদি পংফমক ফবা মতম অমা হায়বসি খক লাকখিগনি হায়বা থাজদে। লাক্তবসু য়াই। য়ারিবমখৈ হীরম খুদিংমক্তা অমদি থবক খুদিংমক্তা ময়ায় ওইরপ ওইনা চৎপগী চাংসিনা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না পাম্নবা অমসুং তোৎন-তিন্নবদা নুংঙাইবা মীওই হায়বদু ওই হায়নবসি অচুম্বা ওইরমগনি খল্লি। মচিং-মশোন নাইবা, মশানা চাউরিঙৈ, মশানা পায়রিঙৈ মতমখক্তদা মশানা মনীং-তম্না, মশাগী অপাম্বা থবকশিংতমক পাঙথোক্লগা লোইরে খনবা মীতাশিংনা দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা লৈঙাক্কী হেদশিং অমুক-অমুক ওইরকপদা, লৈপাকসিদা অমুক-অমুক চপ-চানা, অচৌ-অচৌবা অহোংবশিং লাকপা থেংনরিবসিনি। অদুবু, মতম লৈবা খিবিক্তা মখোয়না পুরকপা লৈবাক্কী অহোংবশিংদু মীচম মীয়াম্না পামজবা লৈবাক্কী অহোংবশিংদুদি খক ওইখিদে। লাইক-মাইন্দেট (ৱাখল মান্নবা) কাঙবুশিংগী মরক্তবুদি মখোয়গী মহৌশাগী মহৌশা অদুমক ওইরমগনি। তৌইগুম্বসুং, ইচম-চম্না হিংজরিবা লমদমসিগী মীচম-মীয়ামশিংগী মহৌশাদগীদি মখোয়গী মহৌশাদুনা শাথিনা খেন্নবশিং ওই। "ঐখোয়গী ইরমদমসিগী কম্পিটিটিব এগজামশিং মতম চূপ্পগী ওইনা অমুক্তং করপসন লৈতবা কম্পিটিটিব এগজাম হায়বদু ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি"।◀◀